ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ

ꯊꯥꯡꯖ, ꯖꯨꯂꯥꯏ ꯰꯸, ꯲꯰꯱꯷, ꯏꯝꯐꯥꯜ

꯴꯱ ꯁꯨꯕꯥ ꯆꯍꯤ, ꯱꯰꯴ ꯁꯨꯕꯥ ꯃꯁꯤꯡ

হুইয়েন লানপাউ

থাংজ, জুলাই ০৮, ২০১৭, ইম্ফাল

৪১ শুবা চহী, ১০৪ শুবা মশীং


# বন মহোতসবকী চয়োল

## *টাই পুনবশিংনা থারম্বা উপালশিং লোইনমক হৌহনসি*

**লৈবাক** অসিদা চহী খূদিংগী ওইনা জুলাই ১দগী ৭ ফাওবা হায়বদি চয়োল অমা চুপ্পা বন মহোতসবকী থৌরম পাঙথোকই। থৌরম অসি ইন্দিয়ানা মনীং-মখা তম্বা লৈবাক অমা ওইরবা মতুং কুমজা ১৯৫০দা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ওফ এগ্রীকলচর উলাপতি ডো. কে এম মুনশিনা ইহান হান্না হৌদোক্তুনা চৎনহল্লম্বনি। থৌরম অসি লৈবাক শীনবা থুংনা পাঙথোকপগী মরুওইবা পান্দমদি কোকশিল্লক্লিবা উমংশিং অমুক নৌহৌননা হিংগৎহন্নবনি। ঙাইহাক লৈতনা ঈশিং ঈচাউ থোকপা অমসুং তুরেলগী খোংনুং নোংমা নোংমগী থেনগৎলক্তুনা মহৌশাগী খলদা পীরিবা চৈথেং অসি য়েংলুরগদি হৌজিক্কী মতমদা বন মহোতসবকী থৌরম পাঙথোকপসি য়াম্নমক মরম চাবা অমসুং তঙাইফদবা ওইরি। উপাল-ৱাপালশিংগা মীওইবগা লৈনরিবা মরী অসি পুন্না হিংমিন্নবা হায়বদুনি। উপাল-ৱাপালশিং ঙম্না কোকথোকখ্রবদি মালেম অসিদা মীওইবা লৈবা ঙম্লোইদৌরিবনি। ঈশিং-নুংশিৎকী খল কায়হন্দনা থম্নবগীদমক্তা উ চারাশিং থাবা অমসুং মখোয়বু হৌহনবা হায়বসি তঙাইফদবনি। মীৎয়েং অসিদা য়েংলগা কুমসি চহীগী ওইনা বন মহোতসবকী থৌরম চয়োল অমা চুপ্পা পাঙথোকখিবসি মীওইবগা মহৌশাগা নকশিন্নবা হায়বা পান্দম অসিগী মখাদনি। বন মহোতসবকী ৱাহন্থোকসি উপাল-ৱাপালশিংগী ফেষ্টিবেল হায়বনি। মীওইবগী পূন্সিগা মালেম ইমাগা অমসুং উপাল-ৱাপালশিংগা পুন্না লৈমিন্নবগী ৱাখল্লোন্দা লৈবাক অসিগী অহানবা প্রসিদেন্ট ডো. রাজেন্দ্র প্রসাদকী পূক্লিং ফাওখিবা অপান্বশিং অদু থবক্তা ওন্থোরকপনি। হৌজিক্কী মীরোলনা উমং হায়বসি মণিপুরদা উবা ফংদ্রে। মসিগী মরুওইবা মরমদি মীওইবনা শীং ওইননবা উপাল-ৱাপালশিং য়ান্থৎখিবা, পামলৌ উননবা উমং কোকথোকপা, উমং-ৱামংশিং পাক শন্না লম্মৈ থাবা অমসুং জঙ্গলদা হৌরিবা অচৌ অচৌবা উপাল-ৱাপালশিং লল্লোনপোৎ ওইনা লৌনরকপদগীনি। উমং-ৱামং কোকশিল্লকপগী অমাঙবা ঙসিগী মীরোলনা খঙবা হৌরে। তেল্লবা চহী খরা অসিদা ওইরক্লিবা ঈশিং নুংশিৎকী অহোংবা, অওনবা কয়া অসিনা চৈথেং পীরক্তুনা মণিপুরদা খুন্দা লৈতাবদা নুংঙাইবা মফম ওইবা ফংলক্কনি হায়বগী থাজনিংঙাই ফাওবা লৈরক্ত্রে। অসিগুম্বা তানফম অসিদা মণিপুর লৈঙাক্কী ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টনবু ওইরবসু, লন্নাই লূপনবু ওইরবসু মফম অমদা নৎত্রগা লম অমদা উ-ৱা থাবগী থৌরম পাঙথোকপা হায়বসি তুংদা হৌরক্দৌরিবা মীওই খুন্নাইগী খল্লগনি হায়বা য়াই।

বন মহোতসব চয়োলগা মরী লৈননা মণিপুরদা চহী খূদিংগী উ চারা লীশিং লীশিং থাখি। অদুবু থাখিবা উ চারাশিং অদুগী মনুংদা চাদা ১ ফাওবা য়ৌনা হৌবগী পাউদি তাবা ফংদ্রি। বন মহোতসবকী ঈহৌসু য়াম্না তপথরে। মতম অমদা ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টনা লৌরম্বা থৌদাং হৌজিক্তি মমিংখক্তগী ওইনা পাঙথোক্লে। খ্বাইদগী হেন্না মরু ওইরিবদি থৌরম অসিদা মহৈরোয়শিং পাক শন্না য়াওহনবগী কান্নবদুনি। মহৈরোয়শিংদা উ চারা থাবগী মরম অমসুং বন মহোতসব থৌরম পাঙথোকপগী নুংগী ওইবা ৱাহন্থোকশিং অদু খঙহনগে হায়বা তারবদি মখোয়সু থৌরম অসিদা য়াওহনবা তাবনি। চহী নৌরিবা অঙাংশিং অদুদা উ চারাসিমা হৌহনবা ঙম্লবদি তুংদা হৌরক্লিবা মীওই কয়াগী থবক তৌরবনি হায়বা অতেনবা ৱাহৈ পরেং অসি পাউজেল ওইনা পীগদবনি। অসিগুম্বা পাউজেল অসিনা থবক্তা ওন্থোকপা ঙম্বা তারবদি চহী নৌরিবা মহৈরোয়শিং অদুগী ৱাখল্লোন্দা উমং কোকথোকপা নৎত্রগা মরম চাদনা উপাল-ৱাপালশিং য়ান্থৎপা হায়বসি অফবা নত্তে হায়বা শোয়দনা খঙগনি। মখোয়না অরানবা তৌবশিংবু শোয়দনা ৱাখল তাহনবা ঙম্লক্কনি। হায়রিবা ৱাখল্লোনশিং অসি মতম অমদদি ওজাশিংনা মহৈরোয়শিংদা চুহল্লমই। হৌজিক্তি বন মহোতসব থৌরমগী ৱাহন্থোকসু মফম খঙদ্রে। পাঙথোকপসু অকক্নবা মফম খরখক্তা পাঙথোক্নরে। মতাং অসিদা পঞ্জনিংবা ৱাফমদি মীয়াম্না শরুক য়াদুনা বন মহোতসবকী চয়োল থৌরমগা মরী লৈননা তাংলবা মখলগী উ চারাশিং থারি। হায়রিবা উ চারাশিং অদু হৌহনবা হায়বসিসু বন মহোতসব থৌরম পাঙথোকপগী পান্দম অমনি হায়বসি ঐখোয় পূম্নমক্না খঙমিন্নবা চঙই। তাই পুল্লগা, খোঙ্গ্রাউ ফুরিৎ অনানবা শেৎলগা উ চারা থাবনা উ পাম্বী হৌহনবা ঙম্লোই। মদুগী মহুত্তা মখোয়সু নুমিৎ হুম্নিগী মনুংদা অমত্তা ওইরসু লাক্লগা মখোয়না থারল্লিবা উপাল-ৱাপালশিং অদুদা ঈশিং মরিক অমত্তা ওইরবসু খিকপীরম্বা চুমগনি। মসিদসু নত্তনা শা-ষণনা মাঙহনখিদনবা শম্বল মতেক অমত্তা ওইরবসু খারম্বনা বন মহোতসব থৌরম পাঙথোকপগী নুংগী ওইবা ৱাহন্থোক ফংবা ঙমগনি। মদু নত্তনা পাউচেশিংদা নৎত্রগা ইলেক্ট্রোনিক মিদিয়াশিংগী মাঙদা কুম্মৈ ফোটো নৎত্রগা ভীদিও ফুটেজ উৎননবা থৌরম য়াওবা ওইরগদি বন মহোতসবকী থৌরম পাঙথোক্তবনা হেন্না ফগনি হায়জনিংই।

## ••• এডিটরদা থারকপা চিঠি •••

### কোলেজশিংদা ওনর্স কোর্স/পাস কোর্সকী লাঞ্জাউ

***ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,***

**মণিপুর** য়ুনিভর্সিটিগী মখাদা লৈবা লৈঙাক্কী অমদি লন্নাইগী কোলেজশিংদা কুমজা ২০১০দগী গ্রেজুয়েট ক্লাসকীদমক সেমেষ্টর কোর্স ওল্লবা মতুংদা ওনর্স কোর্স অমসুং পাস কোর্সশিং অনীমক লৈরম্বদু ঙসিদি খুদোংচাবা অসি থন্বীখিদ্রে। ফাষ্ট সেমেষ্টর অমসুং সেকেন্দ সেমেষ্টর ফাওবা চপ মান্নবা লৌদবা য়াদবা সবজেক্ট অনী, অপাম্বা অরৌবা সবজেক্ট অহুমগী ক্লাস লৈ। থার্দ সেমেষ্টর অমসুং ফোর্থ সেমেষ্টরদসু চপ মান্নবা লৌদবা য়াদবা সবজেক্ট অনী, অপান্বা হান্না লৌরিবা অরৌবা সবজেক্ট অহুমগী ক্লাস লৈ। মসি ফাওবদি অকায়বা লৈতে। অদুবু ফিফ সেমেষ্টর অমসুং সিক্স সেমেষ্টরদদি হান্না লৌরিবা অপান্বা সবজেক্ট অহুমদুগী সবজেক্ট অনী থাদোক্লল্লগা অপান্বা সবজেক্ট অমখক্তংদা সেমেষ্টর অনীসিদা মার্ক ৩০০/৩০০ গী পেপর ১, ২, ৩ হায়না থম্বসিবু ওনর্স হায়না মমিং পীবা মওং অসিনি। পাস কোর্স ওইরম্বা তারবদি মকোক্তা লৌখিবা সবজেক্ট অহুম অদুগী পেপর ১/১ লৈগদবনি। পূন্না মার্ক ৩০০/৩০০ সেমেষ্টর অনী অসিগী।

পনবা য়াবদি মহৈরোয় পূম্বা গ্রেজুয়েটপু পাস তৌরবদি পূম্নমক সবজেক্ট অমদদি শোয়দনা বি এ (ওনর্স) নৎত্রগা বি এস সী (ওনর্স) ওইবা তাহনবগী মওংনি। মসিগী কান্নবা অদু পনবা তারবদি মসিনা শোয়দনা পোষ্ট গ্রেজুয়েট তমজনীংবা কাঙবুদদি য়াম্না খুদোংচাহনগনি। অমরোমদা অশোনবা মহৈরোয় কয়াদি পরিক্ষাদা নম্বর নেম্না ফংবা অমদি পাস তৌবা ঙমদবা কয়া পুথোরক্তুনা হঞ্জিন হঞ্জিন ইমপ্রুভমেন্ট পরিক্ষা পীবা তাবা, পরিক্ষা পাস তৌবগী পার্সেন্টেজতদি শোয়দনা অকায়বা পীবা উনরি। অমুক্লা খনখিবদা লেমহৌবা সবজেক্ট অনীদুগী অহেনবা জ্ঞান অরোইবা সেমেষ্টর অনীদুদা ফংজগদবদু মৎপীবগী মওংদা থন্বীরল্লে। মসিনা য়ু পী এস সী/এম পী এস সীগী অচৌবা পরিক্ষানচিংবা য়াওবদদি অমুক মাঙজবা অমা পীরকপা য়াই।

মণিপুর য়ুনিভর্সিটি, দিরেক্টর ওফ এদ্যুকেসন (য়ু), কোলেজশিংগী এদমিনিষ্ট্রেটিভ ওফিসারশিংনা লম্বী অসি পুরক্লবা হোৎনবদা কোলেজশিংগী অৱাৎ অপা হায়বদি ওজা মশীং ৱাৎপা, কা কোন্নদবনচিংবগী মমিংদা নৎত্রগা থবক খরা কোম্নবা হোৎনবগী নামাদা পাস কোর্স লৌথোকপীবসি অতৈ ষ্টেটকী য়ুনিভর্সিটিশিংদা চৎনরমগনি থাজজদে। মরম অসিনা মণিপুরগী মায় খুনবা লম্বী অসি মতাং চারিঙৈদা চুমথোকহৌবদি য়াম্না মতাং চারব্রা নীংজে।

*অদোমগী - থোকচোম গোপিমোহোন সিংহ*

*নেসনল এৱার্দি (এস এস ঈ - ১৯৮৬)*

*কৈশামথোং*

# গদা মাঙবগী ৱারীদুরা

**ৱাইরু ৱাইরুবদা**



**গুদ মোর্নিং,**

ইঙা, ইঙেনগী নোংনা জম-জম চুবা মতম অসিদা খ্বাইদগী চানবা চুনজবা নুংঙাইবা থবক অমত্তং হায়য়ু হায়না তকথবীরক্লবদি ৱাজাউ ঙাঙবা নত্তনা নুংঙাইবা অমত্তফাও লৈরমগনি হায়বা থাজদে। মীয়ামগী মীটিংদা, মীফমদা, রেদিওদা, টেলিভিজন্দা নৎত্রগা কেবল/লোকেল টেলিভিজন্দা ৱাজাউ ঙাঙবগী নুংঙাইবগী থাগৎনবা, খুবাক খুবীবা অদুগী মনুংঙাই অদুমক য়ৌদ্রসু ফুঙ্গাদা গঞ্জা কৎনি, ছুরি, মৈরু, কংক্র, শাফি, হীদাকমনা অমত্তা ৱাৎতনা থল্লগা ঙাঙনা ঙাঙনা হৱাই মঙ্গল অকংবা ঙৌবা, মদু লোইরগা থুম নম্মগা গঞ্জা থক থক্তুনা নুংঙাইবা ৱাজাউ ঙাঙদুনা শানবা ৱারী অসি তশেংনা নুংঙাইরমগদ্রা নুংঙাইরল্লোইদ্রা ৱাখলনা শারগা অমুক্তা য়েংবীরো।

ঐখোয় ইপুবোক্লা গঞ্জা থকপা, ৱাজাউ ঙাঙবা অমা ওইনা হৌরকপনা গঞ্জাগী টর্মিনোলোজি খরা ফজনা খঙজৈ, মখোয়গী ৱাজাউগী ৱাঙাঙ শাঙাঙ হৌজিকসু নীংশিংলি। নোংজুথা য়ৌরকপসিদা ইপুবোক য়াম্না কন্না হেক্তা নীংশিংলকই। ইপুবোক্কী গঞ্জা ঙান্থক ঐনা সুম লোৎতুনা থমখিবা অদুসু নীংশিংলকই, মহাক্লা ঙাঙলম্বা ময়াম অদু মরী মরী লেপ্তুনা ৱারী লীরিবগুম্না তাবা ফংলকই।

মানা হায়রম্বা লৈ (গঞ্জা কংক্র অমা চিংনা চিংনা মৈখুগা কোন্ননা কামথোরকপা ৱাহৈ কয়া কয়া। মানা হায়রম্মী - মণিপুর পূম্বা মানা য়োৎকী শম্বল কোয়না খাগনি, চাইনাদগী আর্মি পার্সোনেল লিশীং কুনমঙা নেক্লগা খাহনগদৌবনি, অদুগা মণিপুর অসিগী মনুংদা মানা লৈহন্নীংদবা মী মখৈ লোইনমক হনুমান গদা অমা পায়রগা তান্থোক্লগা মানা নিংথৌ ওইনা পাল্লকান্দা লৈবাক মচা অসি ঈরাং নেমগনি, অঙীংবা লৈনা পানগনিয়ে হায়না হায়রম্মে। তৌবতংদি মানা হায়রিবা গঞ্জা অদু মাঙখ্রে থিবা কন্না লাক্করি শুকশোয় শোয়দনা ফংগনি নোংমা ঈশিং চাউবা অমদা ইরিল তুরেলগী ইরৈদা চেন্থখিবা অমদগী মাঙখিবনি, ময়াম ৱাবীগনু মতম লাক্কনি হায়না হায়রম্মী অদুবু মাদি চৎখিবনা হানখ্রে গদা অদু ইরিল তুরেলদগী শুক্লৌ হেক লৌখৎপা তৌরমদনা।

মানা গদা লৌখৎকনি হেক হায়রম্বা নুমিৎ অদুদগী অনৌবা ৱারী অমা লীবা হৌরকখিদুনা গদা মাঙখ্রে হায়বফাও অদুম কাউখ্রে। খাগীগী লাম্মী নেকপগী ৱাফম তুংওইনখ্রে। শম্বল খাবগী ৱা পূমতোক তোকখি, মশাদা পল্লুবদা অদুম্বা ওইরোইদৌবা ৱাদুবু মপা কনানা ঙাওবা হৌনবগেনহে হায়না থীরেমখৈদুম চৈথোরকই।

ঐখোয়নদি অঙাংগা ওইবগা কন্না থাজগল্লিবা মতমনি। গঞ্জা থক্লদি অদুম্মাইনা ঙাঙই হায়বসু খঙহৌদে। গঞ্জা থক্লগা ৱাজাউ ঙাঙই হায়বসি কোন্না খঙলকপনি। মশাগী চহী কুন শুবদগী গঞ্জা থকপা নুপা অমনা মশাগী চহী য়াঙখৈ শুবফাওবদা ঙাঙলকপা ৱা কয়া য়াম্না মঙফাওনবা য়াওবগে? লায়ররকপা, য়ূম ইশ্খোল য়োনবা, নোং য়ুবা, মচা মশু শেমহৌদবা, তৌবতবু অৱাবা মরক্তা মোমোন মিনোক অমদি খোইরুম অনীমক্তি মমীৎতা অমদি চীন্বালদা মতম চুপ্পদা ইরোইনদুনতা লৈবা ঙম্বা অসি মঙায়রে। চাবনা ৱাৎলবদা ইমুংনা কায়থরক্লবদা মোমোন মিনোক অমদি খোয়রুমগী চন্নফমশিং ইরৈ লৈতে।

লৈঙাক্কী স্কুলগী মতাংদা ওইরমগদ্রা হায়না খল্লি। থা অমা অনী অসিগী মনুংদা এদ্যুকেসনগীনিবু হায়রবদি ফন্দগী অৱাৎপা অমত্তা লৈতে হায়না য়াম্না পোঙনা ৱারী শুধরমখি। ময়াম খুবাক হৌনা হৌনা হঞ্জিন হঞ্জিন খুনহৌখি। খুবাক খুগনবা লমদমনি। ৱাজাউ ঙাঙগনবগা খূবাক খুগনবী খূগনবা ময়ামগা থেঙ্গায়নরবদি অঙকপা মনুংঙাই (রস) অমা ফংবা ওইথোকই। ফন্দগী অৱাৎপা লৈতেদি হায় ওজাশিংগী তলব মতম চানা পীদে, কাইথফম থোকপা শেল শৎ-শৎ কাইথরক্তে, অঙাংগী লাইরিক জুলাই থা য়ৌরবফাও ফংহন্দে, জুলাই থাফাওবা য়ুনিফোর্ম য়েন্নবা শেল ফংহন্দে, স্কুল অমত্তা ফেন পানবীদে, মৈ পীবিদে, অঙাংগী স্কুল অমত্তা কম্প্যুটর পীবিদে, নেট পীবিদে, টিচিং এইদস পীবিদে, স্কুল অমত্তা নোং য়ুদবা য়াওদে, কায়দবা, তেক্তবা য়াওদে, স্কুল অমত্তা ফান নীংথিনা লৈতে, অদুনদি করিদনো ফন্দগী অৱাৎপা অমত্তা লৈত্রিবসে? করি করম্বা চীঞাক শীজিন্নরকপা মতমদনো ঐখোয়না ৱাজাউ ঙাঙবা হৌরক্লিবসে। ঐখোয় ইপুবোক নীংশিংলকই মাগী লাম্মী লিশীং কুনমঙানা মণিপুর পূম্বা কোয়না শম্বল খাবা, মণিপুর মনুংদা লৈবা ফত্তবা মী ময়াম গদা পায়দুনা লোয়না তান্থোক্লগা মানা নিংথৌ ওইনা পানবগী ৱারীদো, গদা মাঙখিবগী ৱারীদো।

লৈঙাক্লা মীয়াম্না হৌজিক ফাওবদা ঙাঙনরিবা এদ্যুকেসন ফগৎনবা মতাং অসিদি ওজা চৈবগী ফেজ অদুখক্তং য়ৌরি। হৌগৎলকপদা ঙাইরি। ওইরিবা পূম্নমক ওজাদা নৈরগা থোক্কদৌবোই নীংবা তাঙ্কক্তা লৈরি। খঙদে মীয়ামসু, মন্ত্রিজিসু ইঙাও ঙাওরি, তং তাদ্রি। ৱাজাউ শুবরোমদা তকথনরি। সিদি ইয়া য়াদৌ মান্দ্রি। গদা মাঙখিবগী ফীভমদা লৈরি।

# ঈশিংনা করি হায়রক্লিবা

**নবকুমার ওইনা**

**ঈশিংসি** লাইনি হায়রিসিনি। ঈশিংসি পুন্সিনিসু হায়রিবনি। পংহায়দা হায়নৈ, অদুম চুম্লবোই খল্লি। ঈশিংসি ৱান্দর লিক্কিটসু কৌরিবনি। মহি, মপঙ, মনিল ওইনা লৈয়ু য়াবা নেচরগী পোত্তুনি। লাই ওইরবসু মীনা ঙাঙবদি তারোই, মনা পান্দে, মানা তৌগদৌবদু তৌরক্কনি। থায়না নোং লাওবগী ৱাদু তাবপোৎ নত্তে, হৌজিকসু অমুক খরা তপ্না তারকউ হায়বা য়াগদৌবা লৈতে। পংখন খল্লগা, পংতৌ তৌরকউ য়ারক্ত্রবনি; নোংসু শাওরে, তুরেলসু শাওরবা, ঈশিংসু শাওরক্লে হায়বা তারে। ৱাখল চুমদবদগী ঈশিংগী লাইনা শাওবদৌনা খল্লবদি থবক য়ারোইদৌরি, চহী খুদিংগী ঈশিং থুমখিবা তারি। ঈশিং শেন্নবা হৈরোইদৌরি।

নোং তাবগী চাং হন্থরে হায়দুনা শিগনবা উ থারুবরা হায়ববু শাওবদগী নোংশি হৈথরকপা ওইবা তারিবরা? খল্লিবসি তায়োন্নবা ঙাক্তা ওইরবদি তায়োন্নবা ঙাক্তা তৌরকপা তারকই। উ অশিবা থাগনি, পাৎ ফুঞ্জিনগনি, তুরেল ফুনজিনগনি, পুখ্রি ফুনজিনগনি, কোমজাউ ফুনজিনগনি। ঈশিংদুদি কদায়দা লৈবা তারকই। য়ূম্লক্তা চঙলকপা মশানা তারকপনি। মীদা উশিত্তবা মী মশেলগী ৱানি, ঈশিংদা উশিত্তবদি য়ূমদা ঈশিংদা লুপ্পা তারকপা। মী মরক্তা পাউ ফাওনদবদগী অশোনবা খল্ল-খল্লগা মরায়বক লৈতবশিংদা ঈশিংনা তাওথরকপদুনি। ঈশিংদা নিংথৌ শারুবরা হায়ববু ঈশিংনা অমুক নিংথৌ শারকপনি। শিল্লি লাংলিবশিংনা শোয়রগা, ৱা খন্নবা য়াদবগী, মানা মানা থোকউ-থোকউবা পংতৌদা তৌনরকপদগী ঈশিং ঈচাউসি থোকপনি। ফুনজিনখোদনা পাত্তু, তুরেলদু, ইরম-খোংলমদু, লাইরমদু। করি থোক্লে, লাই থোক্লক্লে, অহিং তূম্নদ্রেদনা।

উ থানা থানা চীংদা ঈশিং পল্লু য়ারক্ত্রবদি চীংদা পুখ্রি, কোমজাউ তৌবা তারক্লি। ঈশিং তুংনবা কোম চমা মচাদগী তুরেল-লোক মচা মচাগী ঈশিং থিংবা য়াবা দাম মচা মচা শেম্বা তারক্লি। অমুক কায়সনু, অমুক থোনগদৌবনি। বুল-দোজরনা নম-নমদুনা কাচিন খুদিং ঈশিং য়োকপা তারি। ঈশিং লৈরবদি ঙা লৈরক্কনি, য়োক্লিংবা ঙা য়োকপা য়াগনি। মমাঙথক্কী কাদাগী পুখ্রি খুত্তৌদুদি তৌবা য়াগদৌবা মান্দে। পৈশা লৌবা লোয়বগা অমুক ফুনজিনবীদি তৌবা হৌনদ্রে। টেরেস কলর্টিভেসন পাক শন্না তৌরবদি, লৈঙাক্লা শেমগৎখিবা ময়ামদু মায় পাক্লা লৈরম্লবদি ঈশিং খরা খরদি পন্দুনা লৈহনবগী থৌদাং অমসু লৌরম্বা য়াবনি। মসি পূম্নমক ওইথোকখিদ্রবনা নোং হেক তাবগা পুং খরগী মনুংদা চীংদগী লোক্তাক য়ৌরকপনি। মসিদবু করি য়েৎননিংঙাই লৈরিবগে? লৈঙোয়না থোনবা তুরেল মপান্দি কায়বা মশানা তারকপনি। ঈশিং চোৎলবদি চীংগী লৈবাক ফাওবা পেখোক্লককইবনি, পেখোক্লক্লবদি ঈশিংনা ইনবদা চৎপা য়াওরকপা তাবনি। মদুগীদমক্তা তুরেলবান্দা ৱা পান্বী থানরমম্মীবনি। কনক্রিট ৱাল লোয়না চনবসু ঙল্লোই। মদুদসু সিমেন্ট ৱাৎপগী ৱাথোক অদুম লৈ, মীওইবগী পুকচেল শেংদবগী, পংবগী ৱাথোক হেক্তা ওইরকই। ৱাথোকশাদি মীওইবনি।

তুরেল খোংনুংদা ঈশিংদু য়াঙনা চেল্লবদি তুরেলদু খুজিল্লবনি, ঈশিংদুনা তপথনা চেল্লগনা তুরেলদু লাউথোকই হায়বা খঙগদৌবনি। ওন্না তৈননা কন্না চেল্লিবসি মঙাইদনা খন্নবসু য়াওরিবনি। নাওরেম থোং মপান্দা তুরেলসি লাউই, ঈশিংসু তুংই, ৱাহেংবম লৈকায় মপাদনা তুরেলসু পীক্লা উই খোঙনুংসু থেনগৎলি, মসিবু চুম্লিব্রা হায়বা। থোং শারিব্রা তুরেল ফুল্লিব্রা, থোং অমুক থুগাইবা অমুক শাবা তোয়রবদি কমদৌবা? মসিগুম্বসি চেকশিন্দ্রিবমখৈ ঈশিং চাউখিবা তাবনি। এঞ্জিনিয়ারশিংনা থিকাদারদা মঙক কনবদি য়ানরি, ঈশিংদা মঙক কল্লুবদি ৱাথি চাবা তারকপদুনি। পৈশা পীজরগা এঞ্জিনিয়ার ওইরকপা য়াওব্রা হংনরকই। মমৈদনা চাওখৎতবা খুন্নাই ওইরকই।

ফাগী অমা লৈ, "চীংদগী লৈবাকসিনা অকুৎপশিংসি থোল্লিবসি মালেমসি চাউবা হেনগৎলকপা য়ারিবনি। অসুম ফুনজিল্লবদি করিগী চাউবা হেন্দগনি। লৈবাক্তুদি থাদগী লৌরুব্রা?" লম্ফেল পাৎসি লমহাং ওইনা উরুবনি। হৌজিক্তি করি থোক্লে। পংথোন্দা থোনজিল্লি, ফত্ত-হৌদি পংলংদা লংশিল্লি, য়ূম পংশাদা শাজিল্লি। পাৎ অমবু মেনগনি খন্দুনা মেনশিল্লি, করি কোকনো! নোংগী ঈশিংদি অদুম কুম্লক্কনি, কদায়দা থমগদৌরি? ঈশিং উদবা মতমদা লৌজনামগী ৱাখলদুনা করিদা চুম্লবা? ঈশিংদি অদুম চাউগনি, মরমদি মহৌশাগী ঈশিং তুংফমনি, পাৎনি। ৱাংনা থোল্লবসু, থুমগদৌবা য়ূম ময়াম শারবসু অদুমক পাৎ ওইরখিগনি। পাৎ হায়বদি ঈশিং তুংনফম হায়বনি। মফম অমা পীদ্রবদি ঈশিংদু চৎখ্রো হায়বা য়ারোই। ঈশিংদা ৱাজাউ ঙাঙলুবা য়ারকপা হৌনদে। মীওইবনা লম্ফেল পাত্তা য়েংলিবা মিৎয়েংসি লাল্লি, লৈঙাকসু লাল্লি, লাইনা নত্তে। চোপলিবসি খঙবা নত্তে, চোপ্পদা নত্তে, পুমশোয় শোয়রিবনি। পংবগীনি। তমদা লৌ উরো, চীংদা য়ূম শারো হায়রম্বা অমা নীংশিংলকই। লম্ফেলদি পাৎনি।

লম্ফেল পাৎসি শেমগৎপদি য়াই, খূৎশেমগৎপুদি ওন্নবনি। পাৎ ওইনা অদুম শেমগৎকদৌবনি, কাউরোইদবদি নোং তাবা মতমগী ঈশিংগী থাক অদুনি। নোং খঙতা তারকপগী ঈশিং তুংফমনি। আওটলেট ভালপ পানফম থোকই নোং তাবা লেপখ্রবা মতমদা তপ্না তপ্না থাদোক্কদৌবা ঈশিংগী ষ্টোরেজ পাৎ ওইজরিবা মফমনি। মদুদং কন্ট্রোল তৌবদা ইম্ফালদা ঈশিং চাউবা তঙ্খায় অমা হন্থগদৌরিবনি।

ঈশিং য়োকপা পাৎ হায়বসি ঙা য়োক্কনি, উচেক কয়া য়োক্কনি, মীওইবগী শান্নফম ওইগনি। অকোয়বদনা মীওই খরগী শেন্দানফম ওইগনি। চীং-পাৎকী খেন্নবা খঙবা ঙমদবদগী পাৎ ফুনজিল্লিবসি উবা খুদিংগী নোক্লিংবা মী শোয়দনা য়াওরমগনি। ফজনা শেমগৎলবা মতমদা ঈশিংদা হি তোংদুনা শান্নফম ওইরক্লগা পিক্তকপা টুরিষ্ট স্পোট অমা ওইগদৌবা মফমনি। হৌজিক মেনশিল্লিবা অসিদি চীং অসিগা ৱাংবা মান্নদ্রিবমখৈ ঈশিং থুম্লগদৌবনি।

লম্ফেলগী পাৎ লৈত্রবা ইম্ফাল লৈররোই, ইম্ফাল লৈত্রবা মণিপুর হায়বা লৈরক্তবসু য়াই। অহানবদদি জু লৈবা য়াররোই, শাজিল্লুরিবা ময়ামসি ঈশিং থুমদবা অমত্তা য়াওরোই। ঙক্লিবসি করি অঙ্কদা তৌখ্রিবা থবকশিংনো হায়বসিনি। মীওইবগী লন করাম্বা হায়বসিনা লমদম অসিগী মীপুম খুদিংমকপু অপঙবা শিদুনা চোপহনগদৌরিবনি। মায়কৈ খুদিংমক চপ মান্নে। পাৎ হায়বশিংসি মেনশিনবা য়াই হায়বসি কৈশাম্পাৎ, পোরোম্পাৎ, অকাম্পাৎতগী য়াগদৌবোইদা খনবা লানগনি। অরোয়বদা লোক্তাক পাৎ অসিমতংগা ফুল্লবদি লমদমসিদা নোং তারক্ত্রবসু য়াগনি খল্লি, মী লৈরক্ত্রবনিনা। থৌওং অদু ঙায়ঙমদনা শেমগৎপা মাল্লকপদুনি।

নোংগী ঈশিংসি মাঙদা উবখক্তা য়েংগদৌবা নত্তে, নাক-য়েৎ, তুংদসু য়েংগদৌবনি। কুমজা ১৯৬৬ কী ঈচাউ অমুক হন্না থোক্লোই হায়নিঙাই লৈতে। মতমদুদনা তুরেল ফুনবসি ফুম তাশিনখিবনা ওইরম্মী ঙসিনা দাম্না মেনশিল্লিবনি, হাংবা য়াদদুনা লৈরি হায়রি। কুমগী নোংসু তাবা হৌবদা চাদা ৮০ য়ৌরে হায়রিবনি। মালেমগী খোঙচৎ তম্বা ঙম্বা নৎত্রি, কোমেৎকুম্না চহী ৫০ দা, ৭৫ দা, ১০০ দা হল্লকপা য়াবা নোংগী খোঙচৎ অমা লৈরম্বা থোল্লবদি কমদৌবা। ঈরম খোংলম শেম্বা হায়বসি চহী চুপ্পা শীজিন্নগদৌবা নত্তে নোং তাবা থা অমা থাখায় অদুখক্তগীনি। চহী চুপ্পদি হাংদুনা লৈফম থোকপদুনি। নিংথম থাদা শেম্বা দ্রেনদু নোংজু থাদা কান্নরক্তবগী ৱাখল্লোন অমা য়াওনরি। ৱাখল খূৎখন চুমদবগী ওইফম থোকই, হৌখিবনা হৌখ্রবসু থবক শেন্নবিরিবশিংনা ৱাখল লৌশিং থাথবদা মপূং ফানা তুংগী য়েংনা তৌহন্নীংবগী অপাম্বা মীয়ামদা লৈরিবনি। তুং কুইনা হিংবা ঙম্লোইদবা শাজত্তা থোকউ থোকউবা তৌবগী থৌওংসি তোকপীরো হায়নরকপদুনি। ৱাখল চুম্না খনবা হায়বসিদা পুকচেল শেংবা হায়বদুসু য়াওজরবনি। পুকচেল শেংদবা মীদি মায়থোংদা মমি অদুম তারিবনি, মশানা খঙনদবগী মাল্লক্লিবনি। ঙাঙথোরকপা তৌথোক্লকপনা হেন্না ময়েক শেংলক্লিবনি। অদুনবু এক্সন স্পিক্স লাউদর দেন ৱার্দস হায়নরিবনি। তুংদা করি হায়নরক্কদগে হায়বসি থবক পায়রিবশিংনা খন্থনহৌদবদগী ঈশিং ঈচাউ থোক্লকপনি হায়নরক্লিবনি। ঈশিংখক্তগী ৱাবু ওইদ্রে, হীরম খুদিংদা ৱাথোক্কী ৱাথোক ঙাক্তা ঙায়রে হায়নরবনি। ৱাখল খনবসি হীরম অমত্তগী খনবসু য়ারক্ত্রবা মতমনি। লৈঙাক্কী তৌরিবা প্রোজেক্ট প্লানশিংদা কো-ওর্দিনেসন ৱাৎপগী মমি তারিবসি ৱাখল খনবদা হীরম অমমমতা য়েংবগী মাল্লক্লি।

করিগীদমক অকুৎপা পাৎশিংদা য়ূম তাশিনগদৌরিবনো? চীং-তম কাষ্ট মান্নফম থোক্লবনি। য়ূমলৈ-কৈরৈ মান্নরক্লবনি। তম্পাক্তা লোয়নমক লৈননবা শেমগৎকদৌবা নত্তে। চীংগী চীংখোঙদা য়ূম তাগদৌবনি। মফৈদা খৎনদুনা লৈনবনি, পংবগী মুৎমিন্ননবা শিনবনি। অকুৎপদা কুমথরগা ঈশিং চাউরে হায়বসি তাবদা খুম্নিংবা অমদি, করিগী চীং অতোংবদা লৈগে হায়দ্রিবনো? ৱাখল পীকপগী ওইফম থোকই। নৎত্রগনা শিম্থোং খঙদবা মীকিথি ওইরকপসু য়ারিবনি। চীংদগী কুম্লক্লগা ঈশিং ঈচাউ থেংনবা হায়বসিবু করি হায়রিবনো? ঈশিং কিদবগী ঈশিং থুমফমদা লৈরুবা নত্তবরা? নৎত্রগা ঈশিংদা উশিত্তবা উৎলুবনি। ঈশিংগী থৌশিল লানবনি। ঈশিং হায়বসি করিনো খঙদবনি।

নোং অমসুং ঈশিং নেচরেল প্রদক্টনি, হিংবা ঙম্নবা মহৌশানা পীবা থৱায় মঙাগী মনুং চল্লিবা পোৎনি। মসি খঙনা লোয়নবদা করিবু ৱানিঙাই লৈবগে? শোয়খিবা খরগী ৱাথোক ওইনা অসুম লাউনদুনা লৈগদৌবা নত্তে। য়াদবদুনা য়াদে হায়বা খঙবা, য়াগদৌবা থৌরাং তৌবা তাবনি। ঙক কনবা নৎত্রগা পঙবগী থবক নেচরদা তৌরুবা য়াগদৌবা মান্দে। থবক তৌরি তৌরিদমক হায়নবা, ওইনবা তৌবা হৈতবা হায়বসি মালেমগী মীয়ামগী মিৎয়েং চঙনফম ওইবদি শোয়দ্রে। অশোয়বা অপঙবগী ওইববুদি ৱাখল ফজবা মী কাঙলুপকী ওইনবা থা খরতগী লৈফম ওইগদৌবা ঈশিং তুংনফমশিংদা পুকচেল শেংনা থবক তৌফম থোকই। মীওই খরনা শোয়রগা ৱা ঙাঙজদবা ময়ামসু চোপ্পতদি য়াওরিবনি। চোপনীংদবদগী হায়বনি, 'ঈশিংনা হায়রি পূন্না লৈমিন্নৌ।' ঈশিংগী থম্মোয় চম্বা মতৌ তম্ফম থোকই।